# ‘কংলৈপাক মৈহৌরোন্দে ৱাকচীং থাগী ইমোইনু লাইরেম্বীগী শিন্থাবু শিনপাংজবা’

- লৈহাওরুংবম অমুয়াইমা সলাই খাবা-

মৈনা ৱাইনা শমথরকপনা কোরৌ নোংথৌ অৱাংবা লাইনিংথৌও- লাইরেম্বী ইমোইনু ঐহাক্না মীরমলেন্দা লৈশেম-তুশেম্নবগী ৱাশক পৱৈলুবদগী লিক্লাই অঙৌপানববু পারি ওইনা ফংজবদগী পারিবু লৈপাক নিংথৌ ওইনা লৈশেম-তুশেমহল্লেদো। লৈপাক নিংথৌ ওইবা হায়বসে ওইগী লৈমা ফম্বাল লাংবা য়াওদনদি য়াদবনা পলেম মমা শকপী ওইদুনা মঙাং চনু চেংলৈমগা লিক্লাই অঙৌপানবগা মরান লুহোং তমদুনা পূন্সি লৈপুন শেমখ্রে। কংলৈ নিংথৌ ওইনা পাল্লকপনা চাহোঙ ঙাহোঙবা, ৱাৎত-পাদবা, তংদু-লৈতানা লৈরক্লে। লাইগী লিরেন্নি লেংফদ্রবা শিন্থানি। তুবৎ নাতৈ কাংনা নোংমা নুমিৎলোয় অমদা মমৌ ইবেম্মা ওইগী ফম্বাল লাংলিবী মঙাং চনু চেংলৈমাদা য়াৱা অসুন্না পুকমেন পাউমেনখি। তারো ইনেমগী য়াৱাসি কাউফদে। ইমা শক্লবী ইনেমগী য়াৱাবু ফিগাও শানা য়াজৈদো। ইনেম্না মহায়রগে নাপ চিক্লা তারো- ইমৌ ইবেম্মা নহাক্লা তৌগদবা নুপী ওইবীশিংগী থৌরম শিন্থাদু মপীরগে- মোংবা ইয়ুম ইরাং য়াইগী কাজাও নুংলোন ৯গী শিলম শিন্থাদি কোরৌ মশেক লাংদ্রিঙৈদা ৱাইতৈ-লমশেংগনি। য়েনখা-য়েখুন শেংদোকচৌদো। ননাই-নশন নাইগনু। তুংদারেন্দা নুংলোন লাইজ ইরু ঈশেংদুনা শাদেংগনি। কোরৌহনবা থৌদা অঙানবদা মঙাল মশেক ওইবদা মৈবী-মৈরা, হৈরাং-লৈরাং ঈশিং পুল অথনবা লোয়ননা নোংপোক মায়ওন তম্না মকৎচৌও। ইমা লৈমরেন শিদবী, লাইনিংথৌ, লাইরেম্বীগী মফমদসু মৈবী মৈরা কৎচৌদো। খোয়ুমগী মচা মনাই ওইবশিং পূন্সি নুংশাংগনি। মসিনসু মদোমদে- তরা মথেল-লুকোই শিন-লাংজগনি। তরা মথেল লুকোই শিনপাংলিঙৈ মতমদা চৱৈ কোকশেৎ লাংগনি। খাবৈ মখোল থোক্লা ওৎফরোই। ইপুরোইনা লাইনিংথৌনি মনিংজৌ। ইমৌ ইবেম্মা নহাক্লা খোইমোমলেন্নি মখঙউ। নুপী ওইবীশিংগী শিন্থাদি তুরেল লৈঙোইদগী হেন্না কুপ্পনি। ইনেমগী য়াৱালেনবু ইন্দুনা চৎলবদি লৈবাক মরা তপকনি। নিংথৌ খুভম চেৎনা পানফগনি মখঙউদো। য়াৱাসি ইন্দ্রবদি ননেমদি নহাক্কী মোংবা মরান শঙ্গাইদা লৈঙমলোই। য়াৱা অসি হায়দুনা মমৌ ইবেম্মদা য়াৱা মপাউ কয়াসু পাউমেন্নখি।

পারি ইবুংঙো লিক্লাই অঙৌপানবা নহাকসু পলেম নমা ঐহাক্কী মফম কৌশিন্দুনা ঙসি য়াইফরবা নুমিৎসিদা নহাক্কী তৌগদবা শিনলম শিন্থাবু লৈপাক নিংথৌ ওইনা পাল্লবদা শিন্থাবু মহায়রগে। নাপ চিরেন্দা চীংখাও হায়না হায়রক্লমই। পলেম ইমা অপোকপীনা হায়বা য়াৱারেনবু নচানা ফীগাও শানা য়াজগে মতাকপীয়ুদো। তারোদো পারিও নুংশিবা-ইচানা কংলৈদা অঙোম নিংথৌ ওইনা লৈপাক্কী চুপলি পায়রবনিনা শিন্থাবু মশক খঙনা শিনপাংজৌও। পারি ইবুংঙো নুংশিব-ও লৈপাক নিংথৌ ওইবদা নুং-পাল নাইফরোই। অচান মীরাই লৈনা য়েংফরোই। মীপূম খুদিং অমত্তা ওইনা উগনি। লুতুং শল্লাং তুংদাবীনা ইমামক্লি হায়না মখনগনি। হৌনা লিচৎ ওইবদি মনাই মশন ওইববু নচা ননাইনি মখনগনি। মীনোক মীচৈ অখাবনা মীপূম খুদিং চৈফরোই। লৈপাক্কী নিংথৌ ওইরবনিনা নিংথৌ তাংবল অরুবা নুমিৎ শিংকুম খুদিংগী পন্থৌগী ফমদেং তম্বগুম ৱাখলনুংদা লৈগনি। লাইবক অহুল্লক কৎতুনা কোক নোঞ্জগনি। মসিনসু মদোমদে- মমা শক্লবী পলেম মমানা মতাকপীখি- পারি নহাক্লা নিংথৌগী চুপলি পায়রবনিনা নিংথৌগী অকনবা চৈরাক, অচুম অরান য়েংদুনা লৈবাক শিন্থাবু য়েংনা পুগনি। ঐগী মীগী নাইদনা শিনলম শিন্থা মপূং ওইহনগনি। পীজ-পীথক, অৱা-অনা কয়াবু মতেং পীবীদুনা য়াইফ-নুংঙাইহনগনি। মান্নবা মীৎফম থমগনি। অহেন-অতোনবা নাইফরোই। অচুম অরান য়েংগনি। পূন্না মীয়াম্বু ইকোক নোন্না য়াথং পীগনি। লৌনম কয়া য়াওরবসু লৌখিদনা খাইচনগনি। ঐনা মহেল্লি খনফদে। ইশানা ইশাবু মশক খঙনা লৈঙাক্কনি। লাইগী লিরেন্নি কাউফদেদো পারি ও। লৈপাক নিংথৌ ওইবগী লিচৎলোনসিবু মকাউখ্রবদি পলেম নমা ঐহাক্তি ননাক্তা লৈঙমলোই এ। কাউফদে এ হয়েং নোংদা মী পোং য়েক সলাই খায়রক্তুনা চাউদ-নাওদা নাইরক্লবা মতমদা লাইগী লিরেনবু নোংতম্বনি কাউফদে এ।




পারি ইমোম অনীমক তারো - ইমাদি মপু মাগী থৌদা, লাংওন-লাংতাই মপুং ফাদ্রি। লাংহৈ ইনুং তমদ্রি, শিন্থা লাংহৈদ্রি। ইমাদি কোইনা চৎতুনা লাংহৈখিনি। মপুগী লাংহৈদা অয়েৎপা মপূং ওইগনি। পলেম নমা ঐহাক্তি কোইনা শিনলম শিন্থা পাংলুরগে। নহাকপু পোকপী পলেমদি সনা খোমদোন লৈমা মীংকৌই। পন্থৌনা অঙৌপানবা হায়না মীংকৌই। নহাক্লা তাইবঙ মীকপ থোক্লকপা মতম, মতম খরা লৈরগা অমং য়াইথোং কুমখি। নহাক্কী পন্থৌদি নোংমাই শুমদাই ৯দা নিংথৌরেলনি অঙৌপানবনি। পলেম নমানা চাওয়োক নাওয়োক তম্লকপনা ইমুং ময়েং তারক্তুনা পেরুক, কেঙোই চাদুনা মতম লেনখি। লিক্লাই অঙৌপানবনা শঞ্জেন্নহা ফারকপদা লম্বীদগী শরূ মচেৎ অমা মমাদা খুৎশিন্নখি। শরূ মচেৎ অদু য়ূমথক্তা হুনগৎতুনা থমখ্রবদা নোংঙাল্লকপদা খুমন ক্লাকপনা সনা খুদোপ য়াইওইবা থল্লমখি। তুবৎ নাতৈ কাংনা সনা খুদোপ অদু কংলৈ নিংথৌগী ওইখি। নিংথৌনা অয়াবা পীদুনা ইমোইনুবু মোংবা ময়ূম ঈরাৎ থৌনি তৌজখি। পলেম্না খঙলদুনা নোংমাই শুমদাই ফংবা উমং লৈহৌদা ৱাকচীংগী ১২নি পানবদা অমং শিংকুম তমখিদো পারি ইমোম অনীমক। অদু নোংদগী লৌদুনা ইমোইনু ইবেনধৌ হায়না মকৌদুনা তরা মথেল লুকোই লোইরবদা চাক চদুম ৩, মথেল লুকোই, মৈবী মৈরা, লাইজ ঈশিং অথনবা হাপ্পুনা ফুঙ্গা লাইরুদা থেন্দুনা ইমোইনু অহোংবী চাহোঙ ঙাহোংবী ইবেনধৌবু কৌজরিএ হায়না ফুঙ্গা লাইরু কোক্লেন্দা লৈগে মকৌরকউ। ১২নিগী পোৎচং (১) শরেং শমশাংবী, ঙাপাং, অনৌ অপেন, হৈরাং লৈরাং, পুক্লুং থারো, লৈরাং মচু ৭, শেনকোক ৩, চৱৈ ফি অঙৌবা থাদুনা ইমাগী মীখ্মৈ ৩ শোনগনি। ●

# লমদম অসিদা তৌথোরকপবু, হায়দু হেক থোকই

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

ঙসিদগী চহী মঙা-তরুকলোমগী মমাঙদা ওইরমগদ্রা (অশেংবা মতমদু নীংশিংদ্রে) ঐখোয়গী লৈঙাক মকোক্লা ইম্ফাল সহর অসি স্মার্ট সিটি ওইনা শেমগৎলনি হায়খিবদুবু, পাউচেদা ইনখ্রবনি মীপূম খুদিংমক্লা তানখ্রবনি। তাবদা য়াম্না নুংঙাইখি। মদুখক্তা নত্তা মাল্লে, করি-করিনো ময়াম অমা খুদোম্বীগা লোয়ননা মিৎকা লংখৎ-লংখৎলগা নোক্লা-নোক্লগা হায়খিবনি, লোইনমক ইজররোই মিৎনা উবা ফংখিদ্রবনিনা অয়াম্বসু কাউখ্রে। ঙসি খ্বাইরম্বন্দ বজার মনুংগী অমোৎপা ময়ামসি উরুবদা স্মার্ট সিটিদু নীংশিংলকপনিদা। স্মার্ট সিটি, স্মার্ট হায়বা ৱাহৈ অমগা সিটি হায়বা অমগা তোঙান-তোঙানবা ৱাহন্থোক লৈবা ৱাহৈ অনীনা পূনশিল্লগা শেম্বনি। স্মার্টকী ৱাহন্থোক অসি মশা খিংবা, ফজবা, মশা নানবা অমদি হৈ-শিংবা হায়না লৌনবা ওইরমাল্লে অদুগা সিটি হায়ববুদি ঐখোয়না খঙনরিবা অচৌবা সহরবুনি। ৱাহৈ অনীসি পুনশিল্লগা থোনবা মমিংনিনা ইচম চম্না মশা নানবা মতমগা চানবা সহর অমা ওইরনি হায়না লৌবা য়ারে। মসিনা ৱাহৈ অনী অসিগী দিক্সনারি মিনীংনা পীবা ৱাহন্থোক্লি। অখঙ অহৈশিংনা হায়বদগী খঙহৌবনা অনৌ-অনৌবা টেক্নোলোজি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর শীজিন্নদুনা ইনর্জি কোষ্ট হন্থহনবা অমসুং অকোয়বগী ফীভম (ইনভাইরনমেন্ট) ফগৎহন্দুনা সিটিজনশিংগী পূন্সি মহিংগী ক্বালিটি হেনগৎহনবদুনি হায়। মসিনা লোইবদি নত্তে, মসিদি ঐনা তাহৌবদুদগী কোক্তা লৈহৌবা খরা থমজবনি। নীংশিংবা থোকখিদ্রবা কয়া অমসু লৈরমখিনি। মালেমগী ওইনা আমষ্টরদামনা অহানবা স্মার্ট সিটিনি হায়নখিবসু থেংনখি। মসিদবু ঐখোয়গী ইম্ফাল সহরবু স্মার্ট সিটি ওইনা শেমগৎলনি হায়রকপদা করিগী নুংঙাইরোইদৌরিবনো? ইম্ফাল সহর অওনবা লাক্লগনি, সহর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী পূন্সি মহিংদা অহোংবা পুরক্লনি হায়রবনিনা নুংঙাইফম থোকই।

ইম্ফাল সহরবু স্মার্ট সিটি ওইনা শেমগৎলনি হায়খিবগা ইকান কান্নদনা ওভর ব্রিদজ মখাদগী অৱাংলোমদা থাঙ্গাল বজার চঙবা লম্বী থিংজিল্লগা তৌখায়দুনা নৌনা শেম্বা হৌখি। থবক থুনা হৌখ্রবসু লোইশিনবদি কুম পুখি। হৌজিকপুদি মতেক অমা শেম্বা লোইশিনখ্রে, অদুবু লম্বী অদু নো এন্ট্রিগী ওর্দর লৈবা লৈতবদি খঙদে হৌজিক ফাওবা থৌরী তিংদুনা নাকল অনীমক্তগী চৎথোক-চৎশিন তৌহন্দ্রি। মখা তারকপদা কষ্টুরি থোংদগী নোংপোকলোমদা লাকপা লম্বী অদুদগী খুয়াথোং ফাওবগী লম্বী অদুসু তৌখায়দুনা শেন্নকপা চহী মরি/মঙা শুরল্লগনি। হৌজিক ফাওবা মপূং ফানা লোইশিন্দ্রি, চৎথোক চৎশিন য়াদ্রি। লোইশিনবা নাইদবা লম্বী মতেক অমা শেম্বা, থাঙ্গাল বজার মচিন্দা ইম্ফাল স্মার্ট সিটি লিমিটেদ থাবা মখোঙ অনীখক য়ুংবা, লম্বীগী মতাইদা ফাল অশাংবা খরা থাবা অমদি থাঙ্গাল বজারগী মতেক অমদা মৈ খরা থানবা অসিবুরা স্মার্ট সিটি হায়রিবসি? ঙসিদি স্মার্ট সিটি প্লাষ্টিক সিটি ওইরে, অমোৎ-অকায়না পীক থল্লে। মতম কুইনা-কুইনা শেংদোকপীদবগা, মফম চানা হুন্দোকপগী হৈনবীগা লৈতবগা অপুম-অশাগী মনম্না থারিবা ফানশিং অদুদা ফম্বসু য়াদ্রে। শেল্লিবা খরদু নীংথিনা মওং চুম্না মেন্টেন তৌবা ফাওবা ঙমদ্রিঙৈদা অনৌবা প্লান তৌবসু লেপ্তে। প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্ক থাবা জালিনা শেম্বা বোক্স কয়া অমসু মফম কয়াদা অমুক থল্লি। অমোৎ অকাই মফম চানা হুন্দোকপা ফাওবা হৈত্রিবা বজার মনুংদা লৈরিবা অমদি বজারদা লাক্লিবা মশীং য়াল্লবা মীওইশিং অদুগী মনুংদগী মীওই কয়ানা অহাঙবা প্লাষ্টিক বোট্টল মশানা খঙনা বোট্টল বেঙ্ক অদুদা থাদগনি ? পাউখুমদি মীয়াম্না উবীরিবা অদুনি।

মতম অমদা এল আই সী ক্রোসিংদগী গভর্ণর ক্রোসিং ফাওবগী কংলা পার্ক পরিংদা নুমিদাংগী মতমদা লম্বী নাকল নাম্মা থিংদুনা জি-জা, জি-জা লাওবা অচা-অথক্লা অয়াম্বা ওইনা য়োনবা মার্কেট অমসু হাংদোক্লম্মী (স্মার্ট সিটিগা মরী লৈনবরা, লৈনদবরা চপ চানা খঙদ্রবসু মতমদি হায়ফেৎ মান্নখি)। নুমিৎ খুদিংগী লম্বী থিংদুনা খুদোংচাদবা থোকহল্লবসু কষ্টমরশিংগী খুদোং চানবনি হায়দুনা লুপা লাখ কয়া খরচ তৌদুনা তিন্না শাবা (মোবাইল টোইলেট হায়গদ্রা করি মমিং কৌবনো খঙদবা) টোইলেট বোক্স কয়া অমসু থমখিবনি। অশিন অরাং অমদি টোইলেট বোক্স সপ্লাই তৌখিবা লোয়ননা লৈঙাক্তা নক্লবা মীওই খরগী ফুরিৎখাও খরা চোলহৌরবসু নহা কয়াগী অচৌবা আশাগা লোয়নখিবা প্লান অদুমদি ইকুই কুইদনা থুপচিনখ্রে। প্লান অদু খাঙতপ্তা থুপচিনখিবনা লৈঙাক্কী অচৌবা শেনফম অমা মাঙহনবগা লোয়ননা থবক ফংদ্রিবা নহা কয়ানা ইমুং পুবা ঙম্লবা শেল লৈবা লৈতবা পু-লংদুনা হৌদোকচরুবা তুংগী আশাগা লোয়নবা করবারসু মঙলাক্লহনখ্রে।

ইম্ফাল স্মার্ট সিটি ঙসিদি উফুল সিটি ওনখ্রে, অমোৎ অকায়গী সহর ওইরে। থাঙ্গাল বজার অমোৎ অকাই হুন্দোকফম ওইরে। ইম্ফাল এরিয়া মনুংদা অনানবা লম্বী লৈশিল্লক্ত্রে। নীংথমথা মতম ওইবগা উফুল হৌদবা লম্বী লৈরক্ত্রে, লম্বী মপান্দা লৈবা য়ূমশিং মচু ওল্লে, মথক্তা উফুলনা থুংনবা কুপশিনখ্রে। লম্বী মনাক্তা লৈবা অমসুং চথোক-চৎশিন তৌরিবশিং উফুলনা মরম ওইরগা হকচাং শোক্লোইদবগী মরম লৈত্রে। লম্বী ফত্তবনা মরম ওইরগা উফুলনা চৎপা য়াদ্রিঙৈদা সড়কসু চাওখৎ থৌরাংগী শেমগৎ শাগৎপগী নমাদা মরম অমা নৎত্রগা অমগী তৌখাইবসু লেপ্তে। হৌজিকসু মতম কুইনা চৎপা নুংঙাইরমদ্রবা শেমজিনখিবা কুইদ্রিবা ইম্ফাল জিরি লম্বীগী শগোলবন্দ এরিয়াদা মতেক-মতেক লম্বী তৌখাইবা লেপত্রি। শেমগদবনি, শেম্ফম থোকই চাওখৎ থৌরাংগী থবক লেপ্পা য়ারোই। প্লান নিংথিনা তৌরগা অহান-অকোন য়েংলগা দিপার্টমেন্টশিং কোওর্দিনেশন লৈনা তৌহন্নীংবনিদা। তৌখাইগদবা লৈরবদি শেমদ্রিঙৈদা তৌখাইহৌরগা কোন্না শেল্লবদি লৈঙাক্কী শেলসু কনবা, মীয়ামদসু খুদোংচাদবা থোকহল্লোই হায়নীংবনিদা। হৌজিক তৌনরিবা মওং অসিদি মতম অমদা মীয়াম্না পান্না তানখিবা শুন্দ্রংগী পাউ হায়বা ওদিও কেসেট অদুগী পি দল্লিয়ু দিনা লম্বী শেমজিনবা ৱাটর সপ্লাইনা তৌখায়বা, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা উ থাবা, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা য়ানথৎপা হায়বদুমক থোক্লি।

স্মার্ট সিটিগী মঙলান ঙসিদি নোংম-নোংমগী মমি শামজিল্লক্লি, মঙফাওনদ্রে হায়বদা লাল্লগদ্রা? স্মার্ট সিটিগী ৱাহন্থোক নৎত্রগা দিফিনিশন ঐখোয়না খঙবা, খল্লিবা অসিগা মান্নদ্রবরা? ইম্ফাল সহরদা করি অহোংবা লাকখ্রবগে? থাঙ্গাল বজারগী লম্বী মতেক অমা চহী মঙা, তরা চঙনা শেম্বা, মদুসু নাকল অনীমক্তা থৌরী তিংদুনা চথোক-চৎশিন্দা অপনবা পীবা (থিংজরবসু মনুংদদি মখল খুদিংমক্কী গাড়ী পার্কিংদা পার্ক তৌবগুম খান্নরি) লম্বী মতেক্তুগী মতাই-মতাইদা ফান অশাংবা খরা থল্লিবা অদুসু ঙসিদি অয়াম্বনা ঙাফম য়াওদবা, ফম্ফম য়াওদবা ফীভম কায়বনা অয়াম্বা ওইরে। লোয়ননা মৈ খরা থানবা মদুরা স্মার্ট সিটি হায়রিবসি? খল্লম্বগা উরিবসিগা অয়াম্বনা তাইওন্নরে। শেমগৎ শাগৎকদবা ৱাৎলিবরা? পাউখুন্থদি লাক্কনি অমা নৎত্রগা অমা অদুম খুল্লক্কনি। অদুবু মীয়ামগী অপাম্বদি পাউখুম তাবা অদু নত্তে, মিৎতা তশেং-তশেংনা উবদুনি। স্মার্ট সিটিগী অমোৎ-অকাই, উফুল মরক্তা কয়াম কুইনা খাঙখিগদৌরিবনো হায়বদু খঙনীংলকপনিদা। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫ গী ৱাহং**

১) **“ওক্লসিগে নঙবু করম্না**
**হে অনৌবা চহী**
**নীংথিবী ফিজোলদা আশাগী**
**চংখোল্লবা নকেদা অনৌবা ৱাশক্কী...॥”**
শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেংনি। অইবা অসি কনানো? য়াওরিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **“শক্তম মচু মচুগী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৩) **“লৈকোল নুংদ”** (১৯৬৮) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) **“কমলাকান্তগী কোর্বেক”** হায়রিবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অইবা অসি কনানো?

৫) **“য়েন্নিং থানা হল্লক্লবদা”** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ষ্টেটকী পাউ

# মনিদকো, তাকয়েলগী সী ঈ ও/ঈ ঈ দল্লিয়ু কামেশ্বরদা কে সী পি-তাইবংঙানবা...

*লমায় ১গী মখা...*

ইরমদম কংলৈপাক অসিদগী নোংদা পাখংবগী মতমদা হায়বদি ৩৩ এ দিদা অহানবা ওইনা শগোল কাংজৈ (মণিপুর পোলো) হৌদোক্তুনা ঙসি মালেমগী লৈবাক ৫০গী মথক্লা য়াম্না পাম্না শান্নরিবা মশান্না অমসু ওইরিবা পোলোগী হৌরকফম ওইরিবা লৈবাক অমা ওইনসু শকখঙনরিবা লমদম অমসু ওইরি।

অদুবু পোলো মশান্না অসি অহানবদদি চহী লিশিং ২০০০গী মমাঙদগী চাইনা অমদি পর্সিয়ানা হৌদোকখিবা মশান্না অমনি হায়নসু লৌনরম্মী। মরমদি ‘ফোলো’ হায়বা টিবেটকী বালটি লেঙ্গুএজদা ‘বোল’ নত্রগা ‘বোল গেম’ হায়বা ৱাহৈ অসিদগী লৌরগা ৬০০ বি সীদা অহানবা ওইনা টুরকোমান্স অমদি পর্সিয়ান লৈবাক অনীনা শান্নবদা টুরকোমান্সনা পর্সিয়ানবু মায়থীবা পীখি হায়নসু রেকোর্দ তৌখি হায়না ফাওবা থাজনরম্মী। অদুবু শগোল কাংজৈ নত্রগা পোলো অসি ১৪শুবা সেঞ্চুরি বি সীদা কংলৈপাক্কী নিংথৌ কাঙবনা পুথোক্তুনা অহানবা ওইনা শগোল কাংজৈ নত্রগনা পোলো মশান্না অসি ৩৩ এ দি হায়বদি নোংদা পাখংবগী মতমদগী হৌদোকখিবনি হায়বসি ঙসিগী মালেমগী মীয়াম্নসু য়ানরবা ৱাফম অমা ওইরে।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মনুংদা শগোল কাংজৈ অসি ‘গেম ওফ কিং’ হায়না খঙনরিবা অসিগী হৌরকফম ইরমদম কংলৈপাক্লা ওই হায়বসি য়াম্না চাউথোক্লিংঙাইনি। ইরমদম কংলৈপাক অসিসু ১৯৪৯গী মমাঙদা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা মজ ’র এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনদুনা তিন্দ্রিঙৈদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মনুংদা নিংথৌ পানবা মনীং মখা তম্বা লৈবাক ওইনা লৈরম্মী হায়বা অসি হঙ্গৎনা নীংশিংলুবদসু কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপ্নসু চাউথোকপা ফাওজে।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ওইনদি পোলো মশান্না অসি মুস্লিম কনক্যুৱরশিংনা ১৩ সেঞ্চুরিদা হৌদোকখিবনি হায়না সার এন্থোনি সর্লেগী ত্রেভেলস টু পর্সিয়া (১৬১৩)দা ফোঙদোক্লি অমসুং ফর্ষ্ট য়ুরোপিয়ান পোলো ক্লব হায়না ১৮৫৯দা সিলচরদা শেমদুনা য়ুরোপিয়ান লৈবাকশিংগী মনুংদা অসামদা চা মনা থাবা (টি প্লান্টরস) বৃটিশ কাংবুনা শান্নখি হায়নসু পল্লম্মী।

অহানবা ওইনা করিগুম্বা ইরমদম কংলৈপাক অসিনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা মর্জর এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক তৌদুনা তিল্লমদবা তারগদি ‘স্পোর্টস’কী লমদা কংলৈপাক্লা ঙসি কল্লিবা ফিদা অসিদগী হেন্না কন্দুনা স্পোর্টসকী লমদা মমিং লৈবা মালেমগী লৈবাক অমত্তনা নমথবা ঙমদবা লৈবাক অমা ওইনসু লৈরমগনি হায়না কে সী পি তাইবুংঙানবা গ্রুপ্পা থাজে। মরমদি ইন্দিয়াগী ওইনদি ঙসি ফাওবা ওফিসল ওইনা নেশনল স্পোর্টস ওইনা রিকগনাইজ তৌবা গেম অমত্তা লৈত্রি। অদুমকপু ইন্দিয়াগী আইকোনিক হোক্কি প্লেয়র ওইরিবা অমসুং ‘ৱিজার্দ ওফ হোক্কি’ হায়নসু খঙনরিবা মেজর ধ্যানচান্দনা হোক্কি মশান্নদা লৌখিবা থৌদাং অমদি মিদ-২০ সেঞ্চুরিগী ওলিম্পিক্তা হায়বদি ১৯২৮দগী ১৯৫৬কী মনুংদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিকশিংদা হোক্কি মশান্নদা গোল্ড মেদল ৮, সিলভর মেদল ১ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪ লৌখিবা অমসুং মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক নুমিৎ ওইরিবা ওগষ্ট ২৯ অসি ইন্দিয়াগী ওইনা নেশনল স্পোর্টস দে হায়না পাঙথোকপনা হোক্কি মশান্না অসি ওফিসল ওইনা নেশনল স্পোর্টস ওইনা লাউথোকপা লৈত্রগসু ইন্দিয়াগী নেশনল স্পোর্টস ওইনা লৌনরি। হায়রিবা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ইন্দিয়ানা স্পোর্টসপু চাউখৎনবা থবক থৌরম কয়া লেপ্পা লৈতনা ইন্দিয়া গভনমেন্টনসু পায়খৎলি। গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা স্পোর্টস খক নত্তনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমগীদমক হোৎনরিবশিং অসি কুপ্না য়েংশিন্দুনা অরান অহুই তৌবা কয়াগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা ওপরেশন ওন ইরাদিকেশন ওফ পব্লিক এনিমি, কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপনা লুপকী মহুৎ শীন্দুনা চহী কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাক্লি। হায়রিবা য়েংশিন খোঙজং অসিগী মনুং চন্না ওপরেশন ওন ইরাদিকেশন ওফ পব্লিক এনিমি, কে সী পি তাইবং ঙানবা গ্রুপ অসিনা মণিপুর ইন্দষ্ট্রিএল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশন লিমিটেদ, ইন্দষ্ট্রিএল ষ্টেট তাকয়েলপাৎ ইম্ফাল অমদি দ লক্ষ্মিবাই নেশনল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেশন (এল এন আই পি ঈ) নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর (এন ঈ আর সী) অমদি টি এস সী, স্পোর্টস কম্পেনি নত্রগা স্পোর্টস এজেন্সী ওইরদুনা গ্রাসরুট ত্রেনিংশিং পীরিবা সোনাপুর গুৱাহাটি অসামগী দিন ইন-চার্জ ওইরিবা ডা. সঙ্করজ্যোটিদি বাসুমাটোরিগা মণিপুর ইন্দষ্ট্রিএল কোর্পোরেশন লিমিটেদ (মনিদকো)গী সী ঈ ও (টি জে টি)সু ওইরিবা এগজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়র (ঈ ঈ) ৱাহেংবম কামেশ্বর সিংহনা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস, মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসনা ইমপ্লিমেন্টেসন অমসুং মোনিটরিংগী নোদল ওফিস ওইদুনা এদমিনিষ্ট্রেটিব কন্ট্রোল তৌরিবা এল এন আই পি ঈ, এন ঈ আর সী, টি এস সী, সোনাপুর, গুৱাহাটি, অসামগী ওইনা হোক্কি ফিল্ডশিং, এঠলেটিক ত্রেকশিং, ফুটবোল টর্ফ, টাইপ-৪ অমসুং টাইপ-৫ ক্বার্টরশিং অমদি কনষ্ট্রক্সন ওফ পি জি হোষ্টেল ওফ এল এন পি ঈ, এন ঈ আর সী অমদি সাইগী ওইনা থাদরকখিবা ক্রোর কয়াগী শেনফমশিং অদু নীংথিনা শীজিন্নদনা য়ুটিলাইজেশন সার্টিফিকেটশিং শীজিন্নদুনা হৌখিবা চহী কুমজা ২০২১গী মার্চ ৩১দগী হৌরগা কুমজা ২০২৪গী মার্চ ৩০ ফাওবদা লোয়শিনবগী পান্দমদা মণিপুর ইন্দষ্ট্রিএল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (মনিদকো লিমিটেদ)না ইনক্রিমেন্টিং এজেন্সী ওইদুনা হেন্দিং ওভর টেকিং ওভর তৌনখিবা হায়বদি হোক্কি ফিল্ড এট সাই, ক্রোক্রাঝার, হোক্কি ফিল্ড এট এল এন আই পি ঈ সোনাপুর, এঠলেটিক ত্রেক এট সাই সোনাপুর, এঠলেটিক ত্রেক এট এল এন আই পি ঈ সোনাপুর, এঠলেটিক ত্রেক এট সাই তিন্সুকিয়া, ফুটবোল টর্ফ এট সাই শিল্লোং, টাইপ-৪ ক্বার্টর এট এল এন আই পি ঈ, এন ঈ আর সী গুৱাহাটি, টাইপ-৫ ক্বার্টর এট এল এন আই পি ঈ সোনাপুর অমদি কনষ্ট্রক্সন ওফ পি জি হোষ্টেল এট এল এন আই পি ঈ, এন ঈ আর সী গুৱাহাটি অসি চপ চাবা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদুনা মপুং ফানা লোয়শিনখ্রে হায়না খুৎয়েক খুৎনম পীনদুনা লোয়শিনখিবা থবকশিংবু আর কে পরমঞ্জিৎ সিংহ ঈ ঈ-২, মনিদকো লিমিটেদনসু দিন ইন-চার্জ এল এন আই পি ঈ, এন ঈ আর সী, টি এস সীদা ২০২৩গী ওক্টোবর ১৬তা ওফিসল লেট্টর রিফরেন্স নম্বর মনিদকো/আই দি সী/ এল এন আই পী ঈ/ঐচ ও সী/ঐচ ও-টি ও/২০২৩গী মতুংইন্না ভেরিফিকেশন তৌনবগীদমক্তা পীথরকখ্রবসু ঙসি ফাওবা নমশিন্দুনা থমহনবগা লোয়ননা মনিদকো লিমিটেদকী সী ঈ ও অমদি ঈ ঈসু ওইরিবা ৱাহেংবম কামেশ্বর অমদি মহাক্লা নক্লবা মীওই খরগা মান্নরগা লৌতুনদুনা অশাবা য়ুটিলাইজেশন সার্টিফিকেট শেমজিন্দুনা ক্রোর কয়া হৈনথোকখ্রে হায়বসি কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপ্তা ৱাকৎলকপদগী ওপরেশন ওন ইরাদিকেশন ওফ পব্লিক এনিমি, কে সী পি তাইবং ঙানবা গ্রুপ্না ফিল্ডদা থিজিল্লুবা মতমদা চুল্লে হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙল্লে। মরম অসিনা অসিগুম্বা ইরমদম কংলৈপাক্কী মীংচৎ থীনবা হোৎনরিবা অমসুং শান্নরোয় কয়াগী চাকথুং ফোঙনা নুংথিল পোবোপ্তা শগুন তৌরিবা ঈ ঈ ৱাহেংবম কামেশ্বর অমদি ক্রোর কয়া লৌথোকপদা চেন্নরিবা খুদিংমক চয়োল অমগী মনুংদা ওপরেশন ওন ইরাদিকেশন ওফ পব্লিক এনিমি, কে সী পি তাইবং ঙানবা গ্রুপ্তা চংজরক্লবা খঙহল্লি। করিগুম্বা গ্রুপ্না পীরিবা মতম অসি ফাওবদা চংজরক্তবা তারগদি ইরমদম কংলৈপাক অসিবু অতোপ্পা মালেম মীয়ামগী মমাঙদা ‘শেঞ্জা-থুমজা অমসুং করপশনগী পৱার হাউস’ ওইনা উহনবগীদমক্তা মীয়াম খঙনা চৈরাক পীরক্কনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অরান অহুই তৌদুনা কংলৈ ফুরপকী মীংচৎ থীনবা হোৎনরিবশিং মুত্থৎনবগীদমক ওপরেশন ওন ইরাদিকেশন ওফ পব্লিক এনিমি, কে সী পি তাইবং ঙানবা গ্রুপ্পা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদসু কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা কংলৈচা খুদিংমক্লা ওপরেশন টিম অসিদা ঙাক্লৌ পীবা ওইনা মহিকশিং অসিগী চংজফম পীবিদনবসু প্রেস/মীদিয়াগী খুত্থাংদা কে সী পি তাংইবংঙানবা গ্রুপগী মহুৎ শীঞ্জদুনা ওপরেশন ওন ইরাদিকেশন ওফ পব্লিক এনিমি, কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপ্পা অপিল তৌরি।

মরমদি ঈ ঈ ৱাহেংবম কামেশ্বরনা তৌরিবা থৌওংশিং অসি প্লানিং কম্মিসননা ১১শুবা ফাইব য়্যর প্লানগী মনুং চন্না এল এন আই পি ঈগী রিজনেল সেন্টর মরি লিংখৎতুনা, এল এন আই পি ঈগী এইমস এন্দ ওবজেক্টিবগী মনুং চন্না ‘টু প্রিপয়র হায়লি ক্বালিফাইদ টিচরস এন্দ লিদরস ইন দ ফিল্ড ওফ ফিজিকেল এদুকেশন এন্দ স্পোর্টস। এন্দ টু প্রোভাইদ প্রোফেস্নল এন্দ একাদেমীক লিদরশিপ টু অদর ইন্সটিট্যুশন্স ইন দ ফিল্ড ওফ ফিজিকেল এদুকেশন এন্দ টু সর্ভ এজ এ সেন্টর ওফ এক্সিলেন্ট এন্দ ইনোভেসন ইন ফিজিকেল এদুকেশন এন্দ স্পোর্টস’ হায়রিবা ৱাফম অসিগী মায়োক্তা লৈবতা নত্তনা স্পোর্টসপু শেল খরগীদমক্তা মুত্থৎনবা হোৎনবনি হায়না ওপরেশন ওন ইরাদিকেশন ওফ পব্লিক এনিমি, কে সী পি তাইবংঙানবা গ্রুপ্পা লৌদবা ঙল্লোই হায়বা ৱাফম মীয়ামদা থমজরি।